# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 19-12-2025)**

**ওরেঞ্জ (এল)ঃ** ১৮ শুবা ষ্টেট লেবেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল ঙসি লোয়শিল্লগনি। লোয়শিনবগী থৌরম তমেংলোং জিলাগী মিণি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদুদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়ল, এম.এল.এশিং-দিনগাংলুং গাংমৈ, অৱাংবৌ ন্যুমাই, জাংহেমলুং পামৈ শরুক য়াগনি।

ঙসি অরোইবা নুমিৎতা কোমলা খ্বাইদগী য়ামা পুথোকপা লৌমীশিংদা মনা মথুম পীবা, ওরেঞ্জ কুইন খনবা, নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ অমদি শান্ন খোৎনবগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসি রাজ্যগী টুরিজম বিভাগনা শিনবনি।

**ফিয়ার (এল)ঃ** ইম্ফালগী ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইবেরীদা চথরিবা ৩২ শুবা ইম্ফাল বুক ফিয়ার ২০২৫ চথরি।

ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎতা কেরিয়ার কাউন্সিল্লিং পাঙথোক্কনি। মিট দা আর্টিষ্ট, খুদক্তা লাই য়েকপা চাংদমবা, কুইজ কম্পিটিসন পাঙথোকপা, কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রামশিং পাঙথোকপনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইগনি। মেলা অসি ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরী ইম্ফাল অমদি মনিপুর লাইব্রেরী এসোসিয়েসন অমসুং এন.জি.ওজ লাইব্রেরীনা পুন্না শিনবনি।

**এময়ু(এল)ঃ** ৱিমেন, কনফ্লিট এন্দ সোসাইতি হায়বা হীরমদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ৱিমেন্স ষ্টদি সেন্টরনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা নেসনেল সেমিনার অমা ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিওলোজিদা পাঙথোক্কনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা য়ুনিভরসিতি অসিগী স্কুল ওফ সোসিএল সাইন্সেসকী দিন-প্রোফেসার এল. মেমচা, সোসিওলোজি দিপার্টমেন্টকী হান্নগী হেদ-প্রোফেসার রাজেন্দ্র ক্ষেত্রি, ৱিমেন্স ষ্টদিজ সেন্টরগী দাইরেক্তর-ডা: এন. লিলি শরুক য়াগনি। থৌরম অদুগী টেকিকেল সেসনদা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা অখঙ অহৈশিংনা চে পাগনি।

**ফেষ্টিবেল (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কালা একাডমীনা শিনদুনা ফেষ্টিবেল ওফ ক্লাসিকেল সোলো দান্স ইম্ফালদা পাঙথোক্লি।

থা অসিগী ১৭ তগী চথরকপা ফেষ্টিবেল অসি হয়েং লোয়শিনগনি। ঙসি হুমনি চনবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ উৎকনি।

**ইংবা (এল)ঃ** উখ্রুল জিলাদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগা ৬.৯৩ য়ৌরে।

রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটনা পীবা অহিং আশাগী রিপোর্ট মতুং ইন্না সেনাপতি জিলাদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৭.০৪, চুরাচান্দপুর অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা সেলসিয়স দিগ্রী ৭.৫৮, ককচিং অমদি কাংপোকপী জিলাদা ইংবগী চাং সেলসিয় দিগ্রী ৮.১৬ য়ৌরে।

**পিএমঃ** মহৌশাদগী শিজিন্নরকপা হিদাক লাংথকশিংগী মতাংদা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা অনিশুবা ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন গ্লোবেল সমিট ঙসি লোয়শিল্লগনি।

লোয়শিনবগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা মাই আয়ুস ইন্টিগ্রেটেদ সার্ভিসেস পোরটেল হাংদোক্কনি। মহাকা আয়ুস মাকসু হৌদোক্কনি। শ্রী মোদিনা যোগাগী মরমদা পুথোকপা ডব্লিয়ু.ঐচ.ওগী টেকিকেল রিপোর্টসু ফোংগনি অমদি ফ্রোরম রুটস টু গ্লোবেল রিটচঃ এলভেন ইয়ারস ওফ ত্রান্সফোরমেসন ইন আয়ুস হায়না মিংথোনবা

লাইরিক অমসু ফোংগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারত অমসুং ওমানগী লল্লোন ইতিক্কী মীফমনা লৈবাক অনিগী লৈনরিবা মরীদা অনৌবা মায়ওন অমা পীরগনি অমসুং খোঙজেল য়াংশিলহল্লগনি। প্রধান মন্ত্রিনা ঙরাং মস্কাটতা লল্লোন ইতিক্কী মীফম অসিদা ৱা ঙাংখি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লাক্কদৌরিবা মতমদা ভারত অমসুং ওমানগী মরী মখা তানা অসুম অসুম চেৎশিল্লকখিগনি। লৈবাক অনিগী মরক্তা চহি ৭০ চুপা কুটনিতিগী মরী থল্লকপা অদু পল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অনিনা পুন্না থবক তৌমীন্নরিবা অসি থাজনবা অমসুং মরুপ-মপাং ওইবদা য়ুম্ফম ওইরগা শেমগৎখিবনি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সুলটান ওফ ওমান সুলটান হাইথাম বিন তারিকক্তা মহাক্কী কোনুংদা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা ৱারীসু শান্নখি।

**পঞ্চায়টঃ** কেন্দ্রগী পঞ্চায়েটি রাজ মন্ত্রালয় অমসুং নেসনেল দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিনা ঙরাং পঞ্চায়েটি রাজ ইন্সটিট্যুসনশিংদা মহৌশানা থোরকপা খুদোংথিবশিং হন্থহন্নবা পায়খৎলিবা নেসনেল প্রোজেক্টশিংদা লুপা কোতি ৫০০ হেন্না কায়থোকপদা অয়াবা পীখ্রে।

মন্ত্রালয় অসিনা হায়-প্রোজেক্ট অসি লৈবাক অসিগী রাজ্য ২০ হেনবা অমদি মহৌশাগী খুদোংথিবা হেন্না নংবা জিলা ৮১ দা পায়খৎকনি। খোঙথাং অসিনা মহৌশাগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোরকপদা মতৌ করমা থেংনগদগে অমদি চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবা ঙম্গনি।

**দিল্লিঃ** লৈবাক্কী কোনুং দিল্লি অমসুং এন.সি.আরদা লৈচিল কা হেন্না থাবনা মরম ওইরগা এরোপ্লেন অমদি রেলগাড়িগী সার্ভিসশিংদা অকায়বা থোক্লে।

দিল্লি ইয়ারপোর্টকী পাউনা হায়-ইন্দিরা গান্ধি নেসনেল ইয়ারপোর্টতগী পাইগদবা ফ্লাইট ৩০ রোম কেন্সেল তৌখি। মরক অসিদা ইন্দিয়ান রেলৱেজগী দিল্লি দিভিজননা হায়-লৈচিল থাবা অসিনা মরম ওইরগা দিল্লিদগী চেনগদবা রেলগাড়িশিংসু অকায়বা থোক্লে। পাউ অসিনা মখা তানা হায়-রেলগাড়ি ১৫ রোম অপিবা মতমদগী পুং অহুম হেন্না থেংথনা চেনখি।

**রেলঃ** ইন্দিয়ান রেলৱেজনা খৃষ্টমাস অমদি ন্যু ইয়ারগী য়েংলগা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন হেন্না খুদোংচাহন্নবগীদমক অখন্নবা রেলগাড়ি ১৩৮ জোন ৯ দা চেল্লগনি।

রেলৱে মন্ত্রলয়না থোকপা চেরোল অমদা হায়-হায়রিবা রেলগাড়িশিং অসিনা ত্রিপ ৬৫০ চেনগনি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়-ইষ্টর্ন রেলৱেজনা রেলগাড়ি ২৬, সেন্ত্রেল রেলৱেজনা রেলগাড়ি ১৮, সাউথ সেন্ত্রেল রেলৱেজনা রেলগাড়ি ২৬ অমসুং সাউথ ইষ্ট সেন্ত্রেল রেলৱেজনা রেলগাড়ি ১২ চেনগনি।

**এভিয়েসনঃ** সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রি-রাম মোহোন নাইদুনা হায়রি-ভারতকী ইয়ারপোর্ট নেটৱার্ক অসি ইং কুমজা ২০১৪ দা ৭৪ লৈরম্বদগী ঙসিদি রিজনেল ইয়ার কন্নেক্তিভিতি স্মি-উরানগী মখাদা ১৬০ দা হেনগৎলে। হান্না ফ্লাইট য়ৌদবা মফমশিং চুন্নবা মমলদা এরোপ্লেননা চংবা য়াহন্নবা স্কিম অসি ২০১৬ তা হৌদোকখিবনি।

লোক সভাদা ঙরাং ৱাহংগী মতমদা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা শ্রী নাইদুনা হায়-উরান স্কিমগী মখাদা সরকারনা হৌজিক লৈরিবা ইয়ার স্ত্রিপশিং এরোপ্লেন তাবা অমসুং পাইবা য়াবা মফম ওন্থোকপা ঙমলে।

**মাওইষ্টঃ** ছাতিসগরগী সুখমা জিলাদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সকা নোংমৈ কাপবদা মাওইষ্টকী মীওই অহুম শিরে।

পুলিসকী পাউনা হায়-কিস্তরম এরিয়াদা মাওইষ্টকী মীওইশিং লৈরে হায়বা অককবা পাউ অমা ফংবদগী দিষ্ট্রিক্ট রিজার্বকী অপুনবা কাংবু অমনা মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চখিবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। পুলিস অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী অহেনবা টিমশিং মফম অদুদা চংশিনদুনা মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চখরি।

**বঙ্গলাদেসঃ** ভারতকী ঈশিং লমদা আইন কায়না চংশিল্লকপগীদমক ইন্দিয়ান কোস্ত গার্ডনা বঙ্গলাদেসকী ঙা ফাবা মীওই ৩৫ মখোয়গী ঙা ফানবা হিজাউ অনিগা কোন্ননা ফারে।

পুলিসনা হায়-ঙরাং অয়ুক বঙ্গোব সাগরদা ইন্দিয়া কোস্ত গার্দনা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা চংল্লকপা ঙা ফানবা হিজাড অনি উবদা খুদক্তা হি অনি অদু ফেসর গঞ্জ ফিসিং হাবরদা ফাজিল্লগা থমখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিয়ভরসিতি-ক্রোর ৪৫৭ কায়দুনা চাদা ৯৫ গী চাংদা শাবা লোয়রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

তোরবুং অমসুং ফৌবাকচাউ ইখাইদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা মরী লৈননা এম.ঐচ.এনা গভনরগী রিপোর্ট কৌরক্লে হায়না পোকফম পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ওপোজিসন এম.পিশিংনা বিলগী কোপি শেগাইরগা স্পিকরগী ফম্ফম তম

া লংশিল্লবসু মোদি লৈঙাকনা এম.জি.-নরেগাগী মহুৎ শিল্লক্কদবা ভি.বি-জি রাম জি বিল, ২০২৫ লোক সভাদা নম্ফুদা পাস তৌখ্রে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শান্তিগী পাউজেল পুদুনা দিল্লিদগী সাইকল থৌদুনা লাকপা মালেম থোঙাম ঙসি ইম্ফালদা থুংলগনি হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপেস ইংলিস এদিসনদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মেদিকেলগী লমদা লৈবশিংনা মীয়ামবু নুংশিনা মতেং পাংগদবনি হায়বা গভনরগী ৱাফমনা সনা লৈবাক পাউচেগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

দি.জি.এ.আর. পোলো টুর্নামেন্ট লোয়শিনখিবগী পাউ অমা মনিপুর মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

জেনিমসকী ১৮ শুবা ফাউন্দেসন ডে পাঙথোকখিবগী পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সেনাপতিদা দি.আই.সিনা বেন্দর দিবলপমেন্ট প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবগী পাডনা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-১৮ শুবা ওরেঞ্জ ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা কোমলা থাবশিংগী ওইবা সেমিনার অমা পাঙথোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।